**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-09-2025)**

**সিসিপুর (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং রাজ্য অসিদা লাক্কদৌরিবা অসিগী মাংওইননা পায়খৎপা শেম শাবগী থবক থৌরমশিংদা মরী লৈননা চুড়াচান্দপুর জিলাদা পায়খৎপা শেম শাবগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা পীরকপা থৌদোক্কা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাং রাজ্য পুলিসনা মীওই খরা ফাগৎলে।

ঐখোয়গী চুড়াচান্দপুর পাউমীনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-জিলা অদুদা প্রধান মন্ত্রি লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা লম্বীশিংদা পায়খৎপা শেম্বা শাবগী থবক থৌরমশিংদা নুমিদাংগী মতমদা মীয়াম থোরক্তুনা শেম শারিবা পোৎলমশিং মৈ থাদোকপগা লোয়ননা লম্বী থিংবগী খোঙজং চংশিনখি। মদুনা মরম ওইরগা সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং শেম শারিবা থবক থৌরমশিং অদুদা অয়েৎ অপন পীরিবা মীয়াম অনিগী মরক্তা মুকবা থোকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী অয়েৎপ অপন পীরিবা অদু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা মীওই খরসু অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই খরা ফারে। তুংদা, থৌদোক অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমখি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-রাজ্য অসিদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং লিলোং উশোইপোকপী, থরাউলোককী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নুপী অমা য়াওনা মীওই অনি ফারে।

মখোয়দগী হেরোইন গ্রাম ৩৫ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা লমশাং মখা লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী এক্তি কাডর অমা ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপা অমসুং লুপ অসিগী মিংদা লোনগা মরী লৈনবা কেসশিংদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোন্দগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোম্পী এক্সন সোর্ট গন অমা, টুয়েল্ব বোর কারটিজগী মরু ১৮, ইনসার্চ এল.এম.জিগী অহাংবা মেগজিন অনি, ইনসার্চ রাইফলগী অহাংবা মেগজিন অনি, মোবাইল হেন্দ সেট অমা অমসুং অধার কার্ড অমা ফাগৎপা ঙমখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা জিরিবাম জিলাগী জাইরোলপোকপী ভিলেজ এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা শেমদোক্লবা এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অমা, কন্ত্রিমেট মজল লোদিং এস.বি.বি.এল. নোংমৈ অহুম, পোইন্ট টু টু পিষ্টোল অমা, কন্ত্রিমেট পোইন্ট টু টু দি.বি.বি.এল, সোর্ট গন অমা টুয়েল্ব বোর কারটিজ ৮, গন পাউদর য়াওবা বাইলস ৫৬, গন পাউদর য়াওবা স্মোল সাইজ বোটল অহুম, লিদ পিছ ২৪০ অমসুং গন পাউদর ফিলিং আইরন রোট অমা ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী লৈমখোং পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা লাম্বুং চীংগী মফমশিংদা আইন কায়না শাজিল্লম্বা বঙ্করশিং থুগায়খ্রে। পাউ অদুনা মখা তানা হায়-ঙরাং মনিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্ট থুগায়দুনা গাড়ি থৌবা মীওইশিংদগী চলান ১৩ ককত্তুনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৩ খোমগৎখি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা ঙরাং জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা আই.দি.পিশিংদা ফিশাকোল অমসুং ফি তুনবা মেছিনশিং য়েন্থোকখ্রে। অদুগা আই.দি.পি. অঙাংশিংদনা লাইরিকশিং য়েন্থোকখি।

সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ৮ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়না,

এম.এন সেক্তরনা শিনদুনা জিলা অসিগী মোইরাংদা লৈবা শান্তি মান্দপতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপ্যুতি কন্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা হায়-পোৎলমশিং অদু আই.দি.পিশিংগী পুন্সি মহিং য়াওনা শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা পান্দমদা পোৎলমশিং অদু খুৎশিন্নবনি।

দিপ্যুতি কন্মিস্নারনা আই.দি.পিশিংবু ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক সি.আর.পি.এনা পীরিবা তেংবাং অমদি পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ওপরেসন সিন্ধুরগী মতাংদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা এন্থোনিজ স্কুলদা লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মহৈরোই ২০০ রোমনা শরুক য়াখি। লেকচর প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা নহাশিংনা লিদরসিপ, দিসিপ্লিন অমসুং নেসনেল সেক্যুরিতিগী মতাংদা খঙহন্নবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

**নোং (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা অকনবা নোং চুগনি।

বিভাগ অসিনা থোকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ঙসি অমসুং হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিং অসিদা নোং চুগনি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমমেন্টকী মতুং ইন্না, লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি-মঙানি অসিদা অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা পাক শন্না নোং চুগনি। হয়েং ফাওবদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিং-নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা

অন্ধ্র প্রদেস, অরুনাচল প্রদেস, অসাম, মেঘালায়া, বিহার, ছাতিসগর, করনাতক্কা, উরিষ্যা, ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী সব-হিমালয়ন রেঞ্জকী শরুকশিং-সিক্কিম, তামিল নাদু, পুদুচেরি, করাইকাল, তেলঙ্গানা, উত্তরাখন্দ, ভিধরবা অমসুং উত্তর প্রদেসকী মফমশিংদা নোং চুগনি। মহারাস্ত্রদদি থা অসিগী ১৪ ফাওবদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না বিভাগ অসিনা মখা তানা ফোংদোক্লি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদবা মালেমগী মীফম-গ্যান ভারতমদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা গ্যান ভারতম পোরটেলসু লোঞ্চ তৌগনি।

নুমিৎ হুমনি চথুগদবা মীফম অসিগী নুঙগী ওইবা ৱারোলদি-'রিটরনিং ইন্দিয়াস নোলেজ লেগেসি থ্রু মেন্যুস্ক্রিপ হেরিটেজ' হায়বসিনি। থৌরম অসিদা মশক নাইরবা স্কোলারশিং, কঞ্জারভেসনিষ্ট, টেকোলোজি অমসুং পোলিসি এক্সপার্ট কয়া শরুক য়াগদৌরি।

**উত্তরাখন্দঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা উত্তরাখন্দদা নোংনা মরম ওইদুনা চাউনা অমাং অতা থোকহনখিবা অদু ঙরাং য়েংশিনখ্রে।

শ্রী মোদিনা অমাং অতা অসিগীদমক লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ গী তেংবাং লাউথোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুগী মীয়ামগী শাফনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়াসু লাউথোকখ্রে। মসিদা অমাং অতা থোকখ্রবা য়ুমশিং শেমজিন শাজিনবা, মীয়ামগী শাফনবা থবক থৌরাংশিং পায়খৎনবা ৱাফমশিং থমখি। ৱাফম অসিদা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনাগী মখাদা য়ুমশিং শেমজিন শাজিনবা, নেসনেল হায়ৱেশিং, স্কুলশিং য়াওনা অমাং অতা থোকখ্রবশিং শেমজিন্নবগী ৱাফম য়াওরি।

ঈচাও অমসুং মসিগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ অনিগী এক্স গ্রেসিয়া পীনবা অমসুং অশোক অপন

নংখ্রবশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ গী শেলগী তেংবাং পীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা লাউথোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদিগী ইম্ফাল অমসুং চুরাচান্দপুর খোঙচৎকী মাংওইননা চুরাচান্দপুরদা থোকখিবা থৌদোক, বি.জে.পিগী লুচিংবা খরা রিজাইন তৌখিবা অমসুং চীংদা পোপী থাবা থিংনবা মনিপুর লৈঙাকা ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদ লাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মোরনিং বেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিয়ু মেল পাউচেশিং অসিদা ফোংনরি।

চুরাচান্দপুরদা গুরু চৎকদৌরিব্রা, মোদি লাকপগী শেম শাবশিং থুদোকতুনা মৈ থাখ্রে, সেক্যুরিতিগা ফুন্নখ্রে। চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট স্কুল-কলেজশিং নুমিৎ নিনি ছুতি থাদোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা হুইয়েন লানপাউগী বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

প্রাইম মিনিস্তরগী মনিপুর খোঙচৎকী পাউ অসি প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদিগী ইম্ফাল অমসুং চুরাচান্দপুর খোঙচৎ হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। সব হেদলাইন ওইনা চুড়াচান্দপুরদদি পুমচাই চাইরে, বি.জে.পি. এম.এল.এশিং ইপেন পেন্নদরে হায়না ফোংলি। য়ু.এন.সিনা চংশিল্লস্বা পোৎ পুশিল্লকপা থিংবগী খোঙজং মতম খরা হন্দোকখ্রে হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি-হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস, গানফিয়ু মেল পাউচেশিং অসিদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। রাজ্য অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা

দেঙ্গিগী কেস ৬৬ থেংনখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টতনা খ্বাইদগী য়ামা দেঙ্গিগী কেস ৫৪ থেংনরে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-তমেংলোং টাইমসতা ষ্টেট অসিদা দেঙ্গিগী কেস হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মনিপুরগী হেলথ এন্দ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর-চমবো গোনমৈনা মীয়ামদা চেকশিন ৱা থমখ্রে হায়না ফোংলি।

মনিপুরগী লাল্লক্তা মোদিগী খোঙচৎ চুরাচান্দপুরদনা লুপা কোতি লিশিং ৭,৩০০ হেনবগী ফাউন্দেসন, কংলাদনা লুপা কোতি লিশিং ১,২০০ হেনবগী প্রোজেক্ট শঙ্গাগনি হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল, সনা লৈবাক অমসুং মোরনিং বেল পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইং তপ্পা হনজিল্লকপা, হনজিল্লক্তুবা পি.এম. মোদিনা ফোংদোক্লন্বা ৱাফমগী মখা পোনগনি হায়না এম.এল.এ. অরুনকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মোদি খোঙচৎকী মাংওইননা বি.জে.পিদগী লিদর কয়া পাক্তকনা রিজাইন তৌখ্রে হায়বা পাউ, পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।